## চাইনানা ঙমখৈগী শরুকশিং খোপচিনবা হৌরক্লে

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২৯ (এজেন্সী) : ইন্দিয়া অমসুং চাইনা লৈবাক অনীগী লোন্নবা শরুক্তা লৈরিবা লদাখকী শরুকশিংদা চাইনিজ আর্মিনা লম খোপচিনবগী থবক চথুবা হৌরে হায়না কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হীরম অসিদা সেন্টরনা অহেনবা মিৎয়েং চঙনবা দিমান্দ তৌরক্লি।

রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখিবদা হীরম অসিগী মতাংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টদা কয়ারক হন্না মহাক্না খঙহনখিবা লৈরে। চাইনিজনা ঐখোয়গী লমগী শরুক লৌশিনবা হৌরক্লে হায়না ফোঙদোক্লবসু সেন্টরনা তাশিন্নদনা লৈরি। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা সেন্টরনা মতাং চানা য়েংশিলহৌদ্রবদি লৈবাক অসিগী শরুক কয়া চাইনানা মখোয়গীনি হায়না অতেনবা মতমগী মনুংদা ক্লেম তৌরক্লগনি। মতম অদুদা ঐখোয়না করিগুম্বা অমত্তা তৌবা ঙমদবগী ফীভম লাক্লিঙৈদা মতম চানা য়েংশিন্নবা অমুক্কা হন্না মরী লৈনবশিংগী পুক্লিং চিংশিল্লি। ৱাফম অসি সেন্টরনা তরায়না লৌরোয়দবনি। লদাখতা লৈরিবা মীয়ামগা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শাগদবনি হায়রি।

## ওদিশাগী হেল্থ মিনিষ্টর নব কিশ্বর লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে, চেন্নবা এ এস আই ৱাহং পাউহং চথুরি

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২৯ (এজেন্সী) : ওদিশাগী জারসুগুদা দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা গান্ধী চোকতা মীয়ামগী ওইবা থৌরম অমা শরুক য়াবা লাকখিবা ওদিশাগী হেল্থ মিনিষ্টর নব কিশ্বর দাস এসিষ্টেন্ট সব ইন্সপেক্টর অমনা নোংমৈনা কাপ্পুনা এটেক চথুখ্রবা মতুং লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে। অমরোমদা, থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা এ এস আই হৌজিক হৌজিক পুলিস কষ্টদিদা ৱাহং পাউহং চথুরি হায়না পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।





পুলিস ওফিসল অসিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না হেল্থ মিনিষ্টর নব কিশ্বর দাস থৌরম অমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ানবগীদমক লাকখিবনি। থৌরম পাঙথোকপম মফম য়ৌরবা মতুং মহাক্না কারদগী কুপ্লক্লবা হোৎনরিঙৈদা মীওই কয়ানা মহাকপু তরাম্না ওকখি। মরক অদুদা এসিষ্টেন্ট সব ইন্সপেক্টর ওফ পুলিস গোপাল দাসনা মিনিষ্টর অদুদা মহাক্কী সর্ভিস রিভোলবর শীজিন্নদুনা এটেক চথুরকখিবনি। মদুদা মিনিষ্টর কিশ্বর দাসকী থবাক্কী শরুক্তা নোংমৈ মরু অনী পানখি। খুদক্তা মহাকপু হোস্পিটালদা পুখৎতুনা ট্রিটমেন্ট চথুনবা হোৎনখি। অমরোমদা, মিনিষ্টরদা এটেক চথুখিবা এ এস আই গোপাল দাস মীয়াম্না ফারবা মতুং পুলিসতা শীন্নখ্রে। মহাক হৌজিক পুলিস কষ্টদিদা লৈরি।

থৌদোক অদুবু হকথেংননা উহৌবশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না মিনিষ্টর অদুনা মহাক্না তোঙলকখিবা কার থোঙ হাঙদোক্লবা মতুং খঙহৌদনা অহৌবা মখোল অমা মীয়াম্না তাখি। মদুগী মতুং মিনিষ্টর অদু কার মনুংদগী মশাগী মথবাক পায়দুনা মপান থোরক্লবা হোৎনবা মীয়াম্না উখি। অমদি মহাক্কী ফুরিৎতা ঈ চেন্থরকপা উখিবনি। মরক অদুদা এ এস আই অদু মফম অদু থাদোক্লগা চেনখিনবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক মিনিষ্টর অদুগী অকোয়বদা লৈরম্বা মীয়াম্না এ এস আই অদু ফাখিবনি। অকোয়বগী মীয়াম অদুনা মিনিষ্টর অদুবু কার অদুগী মমাঙ থংবা সিটতা থাঙগৎপা উখি। মতম অদুদা মিনিষ্টর অদুদি ৱাখল তাখিদ্রে। খুদক্তা মহাক মনাক নক্না লৈবা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা ট্রিটমেন্ট চথুখি। মদুগী মতুং ভুবনেশ্বরদা মখা তানা ট্রিটমেন্ট চথুনবগীদমক হেলিকোপ্তরদা পুখিবনি হায়রি। অদুম ওইনমক মিনিষ্টর দাসকী হকচাংগী ফীভম কা হেন্না শোকচিনখিবনা মরম ওইদুনা হোস্পিটাল য়ৌরবা মতুং লায়কন্নবা ঙমদনা শিকিবনি হায়রি।

## ভারত জোরো যাত্রাগী অরোইবা খোঙচৎ ‘অমত্তা ওইবা ইন্দিয়াগীদমক লান্থেংমিন্নসি’

স্রিনগর, জন্যুৱারী ২৯ (এজেন্সী) : মমাঙ চহীগী সেপ্তেম্বর ৭ তা কন্যাকুমারিদগী লমথাখিবা কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লুচিংবা ভারত জোরো যাত্রাগী অরোয়বা খোঙচৎ ঙসি স্রিনগরদা চৎখিবগা লোয়ননা খোঙচৎ অসিবু লুচিংলিবা রাহুল গান্ধীনা অমত্তা ওইবা ইন্দিয়াগীদমক ঐখোয় খুদিংমক্না লান্থেংমিন্নরসি হায়না ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা খোঙচৎ অসিনা মীপুম খুদিংমক্কী মরক্তা নুংশিনবা পুরকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়রি।



স্রিনগরদা চৎখিবা ভারত জোরো যাত্রাগী অরোয়বা খোঙচৎতা রাহুল গান্ধীনা লুচিংলগা স্রিনগরগী ময়োলদা লৈরিবা লাল চোককী ক্লোক টৱারদা লৈবাক অসিগী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহনখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখিবদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ১২ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ২ ফাওদুনা চৎখিবা খোঙচৎ অসিগী মরুওইবা পান্দমদি মীয়ামগী মরক্তা নুংশিনবা পুরক্লবা হোৎনবনি। মসিদা পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা অমত্তা মহাক্না লৌবা পামদে। অদুম ওইনমক রুলিংদা লৈরিবা বি জে পিনা শেঙলবা খোঙচৎ অসিবু পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌদুনা মরী লৈনদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লি। লোয়ননা খোঙচৎ অসি হৌরকপদগী বি জে পিনা মতম পুম্বদা য়ৈখোয় থিনগায়নবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। অদুম ওইনমক লৈবাক অসিগী মীয়াম্না খোঙচৎ অসিবু শৌগৎপনা মরম ওইরগা বি জে পিনা হোৎনখিবা কয়া অরেম্বদা তাখিবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হয়েং নিংথৌকাবা নুমিৎতা এস কে ষ্টেদিয়মদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্কনি। হায়রিবা মীফম অসিদা শরুক য়ানবগীদমক ওপোজিসনদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি ২৩ দা কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী চেবাউ পীখ্রে। পনবা য়াবদি ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎনা তামিল নাদু, কেরলা, করনাটাকা, টেলঙ্গনা, অন্ধ্র প্রদেশ, মহারাষ্ট্র, মধ্য প্রদেশ, রাজস্থান, হরিয়ানা, দেল্লি, উত্তর প্রদেশ, পঞ্জাব, হিমাচল প্রদেশ ফাওদুনা চৎলবা মতুং জম্মু অমসুং কাস্মিরদা অরোয়বা ওইনা থুংখিবনি হায়রি।

## ‘মমিং হোঙদোকপনা মীয়ামগী প্রোব্লেম কোকহনবা ঙম্লোই’

লক্ষনৌ, জন্যুৱারী ২৯ (এজেন্সী) : রাষ্ট্রপটি ভবনগী মিৎয়েংফম ওইরিবা মুঘল গার্দেনগী মমিং অমৃত উদয়ান হায়না ওন্থোকখ্রবা মতুং বি এস পিগী লুচিংবী ময়াৱাতিনা ফোঙদোকখিবদা হান্না লৈরম্বা মমিং ওন্থোক ওনশিন তৌবনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহনবা ঙম্লোই। মমিং হোঙদোকপনা অৱাবা কোকহনবা ঙম্লবদি লৈবাক অসিদা বি জে পি লৈরমদবসু য়াই হায়না ফোঙদোরক্লি।



হীরম অসিগা মরী লৈননা বহুজান সমাজ পার্টিগী লুচিংবী অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা অপুনবা মীওইশিংগী মনুংদা খর খক্তমক হৌজিক হৌজিক নুংঙাইনা হিংবা ঙম্লি। অদুবু মীওই অয়াম্বদি পোৎ চৈগী মমল কা হেন্না তাঙখৎখিবনা মরম ওইরগা হিংনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। লৈবাক অসিদা পোৎ চৈগী মমল কা হেন্না তাঙখৎলকপগা লোয়ননা নহাশিং থবক ফংদবগী চাংসু হান্নদগী য়াম্না হেনগৎলকখ্রে। লৈরিবা লৈঙাক অসিনা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা মিৎয়েং চঙদুনা থবক তৌবগী মহুৎতা লৈকোল অমদি ষ্টদিয়মশিংগী মমিং ওন্থোকপদা হেন্না থৱায় য়াওরি। মসি সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী তৌফম থোকপা মথৌরা হায়না ময়াৱতিনা হঙখিবগা লোয়ননা মমিং হোঙদোক হোঙজিন তৌনবা হোৎনবগী মহুৎতা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা অহেনবা মিৎয়েং চঙগদবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং সেন্টরনা মিৎয়েং চঙবগী মহুৎতা কাঙলুপ মশেন নুংশিনহন্দনবা অমদি অমনা অমগী মায়োক্তা লৈরম্বা থাজবশিং মাঙহন্নবা হোৎনরি। বি জে পিনা লৈবাক অসিবু চাওখৎ লমজেনদা শরুক য়াবা ঙম্লে হায়না ফোঙদোক্লবসু মীয়াম কয়াদি চাওখৎপা করিনো খঙজিল্লক্রে হায়রি।

## উত্তর প্রদেশতা কোংগ্রেসকী হাথ সে হাথ জোরো লোঞ্চ তৌখ্রে

লক্ষনৌ, জন্যুৱারী ২৯ (এজেন্সী) : কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ লোয়শিল্লকপগা লোয়ননা খোঙচৎ অদুগী মখা মহুৎ শিনবা ওইনা উত্তর প্রদেশতা কোংগ্রেসকী হাথ সে হাথ কেম্পেইন লোঞ্চ তৌখ্রে হায়রি।



উত্তর প্রদেশকী কোংগ্রেস লুচিংবা অমনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা কোংগ্রেসনা চাওনা মায় পাক্লবা অমদি পার্টি অসিগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবগীদমক লৈরক খুল্লক খুদিংমক্তা চঙদুনা কোংগ্রেসকী কেম্পেইন চথুনবগীদমক ঙসি হাথ সে হাথ জোরো লোঞ্চ তৌখিবনি। মেম্বর ৫৪২ লৈবা লোক সভাদা উত্তর প্রদেশ খক্তদগী মেম্বর ৮০ য়াওরি। মরম অদুনা উত্তর প্রদেশতা কোংগ্রেসনা অহেনবা মিৎয়েং থল্লি। উত্তর প্রদেশতা কোংগ্রেসকী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক ফেব্রুৱারী থাদা এ আই সী সীগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবী উত্তর প্রদেশকী ইনচার্জ প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্র লাক্লবা য়ানা লৈ হায়রি।

অমরোমদা, কোংগ্রেসকী ৱাঙাংলোয় অসোক সিংহনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি লোঞ্চ তৌরিবা হাথ সে হাথ জোরো কেম্পেইনগী মরুওইবা পান্দমদি উত্তর প্রদেশকী কাচিন কোয়াদা লৈরিবা মীওইশিংগী অৱাৎ অপাশিং খঙদোকপা অমদি মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদুবু কোকহন্নবা হোৎনবনি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা ইনখৎলক্লিবা নহা কয়াগী মফমদা থবক পীগনি হায়দুনা অরানবা থাজবা কয়া পীরি। মসিগী মথক্তা লৌমীশিংনা ফংফম থোকপা রাইটশিং লৈঙাক অসিনা ফংহন্দবনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা মরাল লৈজদবা লৌমী কয়া মশা মতোমতা শিজবগী চাং হেনগৎলক্লি। অসিগুম্বা কয়া অসিবু কোকহনবা হায়বসি কোংগ্রেসকী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমনি। মরম অদুনা মীয়াম্না লোক সভা মীখলদা অফবা মীরেপতা ভোট পীগদবনি হায়রি।

## ছতিসগরগী জসপুর দিষ্ট্রিক্টতা শামুনা নেৎখায়বদগী নুপী অমা লৈখিদ্রে



জসপুর, জন্যুৱারী ২৯ (এজেন্সী) : ছতিসগরগী জসপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা মফম অমদা মশাগী চহী ৫৫ রোম শুরবী নুপী অমা লম্লক্কী শামুনা এটেক চথুদুনা নেৎখায়বদগী লৈখিদ্রে হায়না ফোরেষ্ট ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ফোরেষ্ট ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না থৌদোক অসি বগিচা পুলিস ষ্টেসনগী মনুংচনবা জিকি ভিলেজদা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম থোকখিবনি। লায়বক থিবা থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবী অসিগী মমিং ফুলবাসো বাই কৌই। মহাক উমংদা শিঙ থিনবগীদমক চৎখিবনি। নুপী অদুনা উমংদা শিঙ থিনবা চঙলুবদা মচিঞ্জাক থিবা থোরকখিবা লম্লক্কী শামু অমগা মায়োক্লখি। খুদক্তা লম্লক্কী শামু অদুনা এটেক চথুদুনা নুপী অদু নেৎখায়দুনা হাৎখিবনি হায়রি।

থৌদোক থোকপগী পাউ হেক ফংবগা পুলিস অমদি ফোরেষ্টকী টিম মফমদুদা চঙশিনখি। মখোয়না মফম অদু য়ৌশিনখিবা মতমদা নুপী অদু শিদুনা লৈরমখি। মহাক্কী হকচাং পোষ্ট মোর্টেম তৌনবগীদমক হোস্পিটালদা পুখৎখ্রে। লৈখিদ্রবী নুপী অসিগী ইমুং মনুংদা কম্পেন্সেসন ওইনা লুপা লাখ ৬ পীরগনি হায়রি।

## গাড়ী থোমজিন্নবদগী পুলিস অমা শিরে, মীওই ৩ শোকখ্রে

সজাপুর, জন্যুৱারী ২৯ (এজেন্সী) : মধ্য প্রদেশকী সজাপুর দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি থোকখিবা লম্বীগী লায়বক থিবা থৌদোক অমদা পুলিস পর্সনল অমা শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ৩ না অশোক অপন নঙখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মক্সি পুলিস ষ্টেসনগী ইনচার্জ গোপাল সিংহনা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা থোকখিবনি। মলাৱার পুলিস ষ্টেসনগী পুলিসমেন ২, দ্রাইভর অমা অমসুং খুঞ্জা অমা য়াওনা কেস অমগী মতাংদা থিজিন্নবগীদমক ইন্দোর তম্না চৎখিবনি। মখোয়না লম্বীদা চৎলিঙৈদা মশক খঙদবা গাড়ী অমনা হায়ৱেদা মখোয়না তোঙলকখিবা কার অদুদা থোমজিল্লকখিবনি। থৌদোক অদুদা কন্সটৈবল সুনিল অদিবাসি খুদক্তা থৌদোক থোকফমদা শিখিবনি। অদুগা মলাৱার পুলিস ষ্টেসনগী ইনচার্জ জ্ঞান সিংহ থাকুর অমসুং অতোপ্পা অনীনা ফীভম লুনা শোকখিবনি। থৌদোক্তুদা শোক্লবা মীওই ৩ অদুগী মনুংদা অনীদি কা হেন্না শোকপনা মরম ওইরগা মখা তানা অফবা লায়েং চথুনবগীদমক ইন্দোরদা পুখ্রে। অদুগা অতোপ্পা অমনা হৌজিক হৌজিক সজাপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট চথুরি। থৌদোক অসিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চাবা পাউ খঙবা ঙমদ্রি। পুলিসকী মায়কৈদগী এক্সিদেন্ট অসিগা মরী লৈননা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌখ্রে হায়রি।

## মধ্য প্রদেশতা কায়খিবা ফাইটর জেটকী ব্লেক বোক্স ফংবা ঙমখ্রে ঃ ওফিসল

মোরেনা, জন্যুৱারী ২৯ (এজেন্সী) : ঙরাং মধ্য প্রদেশতা সুখোই-৩০ এম কে আই জেট অমা অমসুং মিরাজ ২০০০ ফাইটর জেট অমা কায়বগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং ঙসি মিরাজ ২০০০ গী ব্লেক বোক্স ফংবা ঙমখিবগা লোয়ননা সুখোই-৩০ এম কে আই ফাইটর জেটকী ফ্লাইট দাটা রেকোদরগী শরুক খরা ফংবা ঙমখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।



ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী ফ্রন্ট লাইন কোম্বেট এয়রক্রাফট অনী অসি ঙরাং মধ্য প্রদেশকী মোরেনাদা ট্রেনিং এক্সর্সাইজ পাঙথোক্লিঙৈদা কায়খিবনি। থৌদোক অদুদা ৱিং কম্যান্দর শিখিবগা লোয়ননা পাইলোট অনীদি ইজেক্ট তৌবা নঙহৌবদগী হিংহৌখিবনি। দিফেন্স এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্নদি রসিয়ন দিজাইন সুখোই-৩০ এম কে আই জেট অমদি ফ্রেন্স মিরাজ ২০০০ অনী অদু থেংজিন্নবদগী কায়খিবা ওইরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোরক্লি। অদুম ওইনমক ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী মায়কৈদগীদি থৌদোক অদুগী মতাংদা ওফিসল ওইনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি হায়রি। আই এ এফ, পুলিস অমসুং অতোপ্পা দিপার্টমেন্টশিংনা ফাইটর জেট সুখোইগী লেমহৌরিবা রেকোর্দরশিং থিবগী থবক চথুরি।

## লৌমীশিংনা থিংবদগী চৎপা য়াখিদ্রে

অম্রিটসর, জন্যুৱারী ২৯ (এজেন্সী) : তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং তৌরদুনা কিশান মজদুর সঙ্গর্স কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা চঙশিনখিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি রেলৱে ট্রেকশিং থিংজিন্দুনা থমখিবদগী ট্রেন কয়া পন্দুনা লৈখ্রে হায়রি।

পঞ্জাবতা লৌমীশিংনা মিনিমম সপোর্ট প্রাইজ ফংহনগনি হায়বগী থাজবা লিগেল ওইনা লৈঙাক্না পীনবা অমদি খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমীশিংগী মথক্তা পুলিস কেস পাল্লিবশিং য়াওনা তোঙান তোঙাবা দিমান্দশিং তৌরদুনা লৌমীশিংনা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখিবনি। লৌমীশিংনা চঙশিনখিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১-৪ ফাওবা রেলৱে ট্রেকশিং থিংজিনখিবনা মরম ওইরগা অম্রিটসর - দেল্লি, অম্রিটসর - খেমকরন অমসুং জলন্দর - জম্মু রেল সেক্সনশিং মথৌ তৌখিদে হায়রি।

## মহারাষ্ট্র রেপ কেসতা চেন্নবা মীওই ২ ফারে

থানে, জন্যুৱারী ২৯ (এজেন্সী) : মহারাষ্ট্রগী থানে দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা থাকুরলি রেলৱে ষ্টেসন মনাক্তা মশাগী চহী ১৭ লোম শুরবী নুপীমচা অমবু পুলিস পসর্নল শাদুনা ইকায় খুম্নবা মাঙহনবদা চেন্নবা নুপা অনী ফাবা ঙম্লে হায়না পুলিসকী মকোক থোংবা ৱাঙাংলোয় অমনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী ৱাঙাংলোয় অসিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না থৌদোক অসি হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা থোকখিবনি। থৌদোক অসিদা চেন্নবগীদমক ফারবা মীওই অনীগী মনুংদা অমদি হান্নদগী হৌনা নুপীদা মখুৎ শাঙলুবগী রেকোর্দ লৈবা মীওই অমনি। থৌদোকসিদা ফারবা মীওই অনী অদু কলিয়ান অমসুং দোম্বিবিলি দিষ্ট্রিক্টতগীনি। মখোয় অনীদুগী মনুংদা অমনা শিন্মীনি অদুগা অতোপ্পা অমনা টি ষ্টোলগী মপুনি। শিন্মী অসি মমাঙদা নুপীদা মখুৎ শাঙলুবদগীদমক পুলিসনা ফারুবা লৈখ্রে। অদুগা টি ষ্টোল মপুগী ওইনদি অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিগা মরী লৈনবা কেসশিংদা চেন্নবা লৈতে। পোক্সো এক্টকী মখাদা মখোয় অনীগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা কেসশিং লৌখৎখিবগা লোয়ননা ৱাহং পাউহং চথুবা হৌখ্রে হায়না এ সী পি সুনিল কুরহাদেনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরক্লি।

## লৈবাক অসিগী ওইনা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ১০৯ থেংনখি





ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২৯ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১০৯ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই অমা শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ১০৯ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৮২,৬৩৯ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ১৮৪২ দা লেঙদনা লৈরি। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা মীওই ১ শিহনখিবনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৭৪০ লেংদনা লৈরি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৮০ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০১ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি।

## অমুক হন্না লৈঙাক পায়বা ঙম্লবদি নুপী খুদিংমক্তা থা থাগী লুপা লিশিং অমমম ফংহনগনি ঃ সিবরাজ সিংহ

বোপাল, জন্যুৱারী ২৯ (এজেন্সী) : চহী অসিগী লোয়শিল্লকপদা পাঙথোক্লবগীদমক শেম শারিবা মধ্য প্রদেশ ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিদা অমুক হন্না মীয়াম্না থাজবা থমদুনা পৱার শীন্নরবদি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা লাইরবা নুপী খুদিংমক্কী একাউন্টদা থা খুদিংগী লুপা লিশিং অমমম ফংহনগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর সিবরাজ সিংহ চৌহাননা ফোঙদোরক্লি।



নরমদাপুরম সিটিদা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ৱাফম অসি চীফ মিনিষ্টর সিবরাজ সিংহনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা স্কিম অসিদা চহী ৫ গী ওইনা পুন্না লুপা ক্রোর লিশিং ৬০ চার্দিং তৌগনি। স্কিম অসিগী মখাদা লাইরবা নুপী খুদিংমক্তা থাগী লুপা লিশিং অমমম ফংহনবদা নত্তনা অতোপ্পা স্কিমশিংদগী খুদোংচাবা কয়াসু ফংহন্নবা হোৎনরি। ষ্টেট অসিগী নুপীশিংবু য়োকখৎনবা হোৎনবা হায়বসি হৌজিক লৈরিবা মহাক্কী লৈঙাক অসিগী মরুওইবা পান্দমনি। ষ্টেট অসিদা হান্নগা য়েংনরুবদা ভোট থাদবা নুপীগী মশিং হেনগৎলক্লি। মসিমক ৱিমেন ইম্পৱার্মেন্টগী খুদমনি। ষ্টেট অসিগী নুপীশিংনা চিংনবা লৈতনা হীরম খুদিংমক্তা শরুক য়ানবা হোৎনগদবনি। মসিগীদমক লৈঙাক্না মতম পুম্বদা লেপকনি। লৈবাক অমা মপুং ফানা চাওখৎনবা হোৎনবদা নুপা নুপী থোং মান্নবা মথৌ তায়। মরম অদুনা ঐহাক্কী ইচে ইচলশিংবু ফাইনান্সিএল্লি ইম্পৱার তৌবগী মতম য়ৌরে। হায়রিবা অসি হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসি নত্তনা অতোপ্পা অনৌবা লৈঙাক অমত্তনা থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্লোই। মরম অদুনা মীয়াম্না অমুক হন্না লৈঙাক অসি লৈহন্নবা হোৎনগদবনি হায়রি।

## কাউন্সিল মিনিষ্টরশিংগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২৯ (এজেন্সী) : কুমজা ২০২৩ গী য়ুনিয়ন বদজেট ফমদ্রিঙৈগী মাঙওইননা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চ্যের লৌদুনা য়ুনিয়ন কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি। য়ুনিয়ন বদজেট অসি মথং থাগী ১ দগী হৌরগা পার্লিয়ামেন্টদা লান্থোক্কদবনি। কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগী মাঙওইননা মথং থাগী ১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা বদজেট মীফম অসিনা হৌজিক লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসিগী অরোইবা মীফম ওইগদৌরিবনি। মীফম অসি ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবদগী হৌরগা নুমিদাংৱাইরম পুং ৩ দা লোয়শিনখি হায়রি